হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিং ঃ হৈনৌজোম

— ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার —

সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইনষ্টিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ

মণিপুরগী মৈতে নৎত্রগা মীতৈশিংগী চৎনরোল অমদি প্রামন-পান্থেশিংদা শীজিন্নবা পাম্বীশিংগী মনুংদা অমনি হৈনৌজোম নৎত্রগা হৈনাজোম হায়রিবা পাম্বী অসি। ঈরাৎ-পুজা তৌবা খরদসু মরু ওইনা কৎনবা হৈশিংগী মনুংদসু অমনি। কনাগুম্বা ইমুং অমগী য়ুম্বান অদু মথেং কয়া চাদ্রবা অমদি চৎনরোলগী ৱংমদা য়ুম্বান অদু চৎথরবদি ইমুং অদুবু "হৈনৌজোম য়ুম্বাল-তেলঙ্গা য়াইব" হায়না প্রমান-পান্থে তৌনৈ। হৈনৌজোমগী মশোঙ ৫ (5 ridge) পান্দুনা মতোন অনীমক হুইথবা অদুনা মরম ওইদুনা হৈ অদুবু হেক থম্বা মতমদা ইহাই হাইদুনা থম্মিংবা মওংদা থম্বা য়াদবা অদু য়ুম্বান মথোং চাদবা ইমুং অমগা চাংদম্নবগী ৱাফম্নি। হৈনোজোম পাম্বী অসি ইংলিসতা ষ্টারফ্রুত (Star fruit) নৎত্রগা ফাইভ-কোর্নর (Five-corner) নৎত্রগা কেরম্বোলা (Carambola), হিন্দিদা কুমরাখ (Kumrakh), ইন্দোনেসিয়াদা বেলিম্বিং (Belimbing), ফ্রেন্সতা কেরম্বোলিয়র (Carambolier), স্পেনিষ্টতা কেরম্বোলা (Carambola), বেঙ্গলিদা কামরঙ্গা (Kamranga), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোতানিকেল্গী ওইবা মমিংদা *এভরহোৱা কেরম্বোলা (Averrhoa carambola L)* নৎত্রগা *এভরহোৱা একুতেঙ্গুলা (Averrhoa acutangula stokes)* হায়না কৌই অমসুং এভরহোএসী (Averrhoaceae) শাগৈগী মনুং চল্লি। অদুবু বোতানিষ্ট খরনদি পাম্বী অসি ওকজালিদেসী (Oxalidaceae) শাগৈগী মনুংদা থম্বী। এভরহোৱা জিনসকী মখাদা মালেম অপুম্বগী ওইনা স্পিসিস অনীখক লৈবগী মনুংদা হৈনৌজোমগী কেরম্বোলা অসিনি অদুগা অতোপ্পা অদুনা এভরহোৱা বিলিম্বী (Averrhoa bilimbi) অসিনি। বিলিম্বী অসি করিগুম্বদসু ক্যুকম্বর ত্রী (Cucumber tree) হায়নসু কৌনৈ অদুগা মহয় অদু য়াম্না মমুন ফাদ্রবদি শীনমনবনা চাবা ঙমদে।

পাউদমশিংগী মতুং ইন্না হৈনৌজোম পাম্বী অসি খা-নোংপোক থংবা এসিয়াগী খরা হেন্না শাবা ত্রোপিকেলগী লমদমশিংদগী হৌরকখিবনি অমসুং মফমশিং অদুদা য়াম্না কুইরবা মৈহৌরোলগী মতমদগী থাদুনা শীজিন্নরক্নে। পাউদম অদুনা মখা তাদুনা অসুম্না ইরি মদুদি হৈনৌজোম পাম্বী অসি ওসত্রোনেসিয়ান (Austronesian) ললোনবশিংনা ইন্দিয়া, পাকিস্তান, বাংলাদেশ, নেপাল মঅসুং শ্রীলঙ্কাদা য়াম্না ঙল্লিনৈঙে মতমদগী পুরক্তুনা থাখিবদগী ঙসিদি পাম্বী অসি মহৌশাগী ওইবা মওংদা হৌখরে। পাউদমশিংগী মতুং ইন্না হৈনৌজোম মহয়দা য়াওবা মরু ওইবা মচলশিংদি ফ্লেবোনোইদস (Flavonoids), এলকালোইদস (Alkaloids), তেনিন্স (Tannins), সেপোনিস (Saponins)। মসিগী মথক্তা গেলীক এসিদ (Gallic acid), এসকোর্বিক এসিদ (Ascorbic acid), প্রোএন্থোস্যানিদিন্স (Proanthocyanidins) অমসুং ইপিকেতিচিন (Epicatechin) অসি য়াওই। মিনরেলশিংগী মরু ওইনা আইরন, কেলসিয়ম, ফোসফোরস অমসুং পোতাসিয়ম অসিগী মথক্তা কেরোতিনোই, থিয়ামিন (Vitamin B1), রাইবোফ্লেবিন (Riboflavin)(Vitamin B2) অমসুং ভিতামিন সী অসিদা চাং ৱাংনা য়াওই হায়না পাউদল্লি। মমুন ফাদ্রিবা হৈনৌজোম মহয়দগী মমুন ফারবা হৈনৌজোম মহয়না এন্তিওক্সিদেন্ত অসি শরুক ৩ হেন্না য়াওবা মরম্না মখল কয়াগী লায়ন-তীনাশিং লায়না ঙাকথোকপা ঙম্মী। য়াম্না পুক্নিং থৌগৎনিংঙাই ওইবা পাউদম অমগী মতুং ইন্না হৈনৌজোম মহয়গী মতোংদগী মুকদনা য়াম্না হেন্না এন্তিওক্সিদেন্ত য়াওবা মরম্না হৈ অসি মকু য়াওনা চাবিগনি। বিজ্ঞান্না চাংয়েং চথদুনা য়েংবদা খঙবা ঙমখরে মদুদি হৈনৌজোম অমুনবা মহয় অসি মীওইবগী ঈদা চিনিগী চাং হেন্না য়াওবা, কেন্সর মখল কয়ামরুম, মীৎ ঙৌদোং থুংবা, থবোম্বীগী লায়নাশিং অমসুং তাং চাওথোক্তুনা চীকপা-নাবা তৌবা (আর্থ্রাইতিস) অসি লায়েং হীদাক ওইনা শীজিন্নবা য়াই। য়াম্না লিরবা অনা লায়েংদা ঈদা চিনিগী চাং ৱাংনা য়াওবা অমদি ঈগী খোঙজেল (B.P) ৱাংবদা হৈনৌজোম মনা অদু কুপ্না কক্লগা চা ওইনা ঈশিংদা লোন্দুনা শেম্বা মহী অদু চাং নাইনা পীথক্তুনা লায়েংনৈ। হায়রিবা অশেম্বা মহী অদু চানিং-থক্লিংবা ফাওদবা অমদি খোঙ হামথবদসু পীথক্তুনা লায়েংবা য়াই। থবোম্বী মপাঙ্গল শোনবা অমসুং লায়নাশিংদা হৈনৌজোম মনা নৌতক তৌবা অদু শুগাইরগা লৌবা মহী অদুদা খোইহী খরা নৈখাইরগা চাং নাইনা নোংমদা অনীরক চামচ অমমমগী চাংদাদা পীথক্তুনা লায়েংবগী পাউদম লৈ। হায়রিবা অশেম্বা মহী অদু পীথকপদসু অরুম-লায়হৌ তৌবা অদু হন্থহনবা ঙম্মী হায়নসু শীজিন্নৈ। থীবোং-থীরিলদা তীন লৈবদা হৈনৌজোম পাম্বীগী মনা অদু শুগাইরগা লৌবা মহী অদু চাং নাইনা পীথক্তুনা য়াম্না কুইরবা মতমদগী লায়েংনরক্লি। হৈনৌজোমগী মনা অদু শুগাইরগা শেম্বা মলম অসি উনশগী মখল কয়াগী লায়নাশিং মরু ওইনা স্কেবীজ হায়না কৌনবা ফুগ্রী অসি লায়েংনবগী পাউদমশিং লৈ। কনাগুম্বা মীওই অমা হূ থকচিনখ্রবদি হৈনৌজোম পাম্বগী নৌতক তৌবা মনা অদু ঈশিংদা শুগাইরগা গ্লাস অমরোম খুদক্তা পীথকপদা য়াম্না কান্নবা ফল ফংবা ঙমগনি হায়না পাউদমলি। অরিবা চাইনাগী অনা-লায়েংদা হৈনৌজোমগী মরা অসি শুগাইরগা লৌবা মহী অদু দাইবেতিস মরু ওইনা Type 2 diabetes Mellitus অসিদা পীথক্তুনা লায়েংনৈ। বিজ্ঞান্না থীজিনবদগী খঙবা ঙমখরে মদুদি অশোক-অপন কয়াবদা হৈনৌজোম মনা শুগাইরগা থোম্বদা চৈনা অদু য়াম্না শীংথানিংঙাই ওইনা হন্থহনবা ঙম্মী হায়বসিনি। পাউ অদুনা মখা তারদুনা মোর্ফিন (Morphine) না অনাবগী চৈনা হন্থহনবা অদুগা হৈনৌজোম মনানা চৈনা হন্থহনবা অদুগা মওং মান্নৈ। বিজ্ঞানগী পাউদমশিংগী মতুং ইন্না হৈনৌজোম মনা অসি কোকফায়-শুজা অমসুং মহীক-মতাই কয়ামরুমসু হাৎপা ঙম্মী। হৈনৌজোম অমুনবা অসি খোমজিংলিবী মমাশিংগী খোমলাং হেন্না থোকহনবা ঙম্মী। অদুবু য়াম্না চেকশিনবিগদবদি কিদনিগী অনাবা লৈবা অমদি ঈশিং য়াফম তোয়না তৌগনবা মীওইশিংনদি হৈনৌজোম মহয় অসি চাবিরোইদবনি। ●

য়া তিন চাবা

— ডা. লৌশাম্বম বুধচন্দ্র —

BDS (CAL), MDS (Lucknow)
Oral & Maxillofacial Surgeon
Retd. Joint Director, JNIMS

লায়না অসি মীওইবগী য়াদা খ্বাইদগী তোয়না নাগনবা লায়না অমনি। লায়না অসিনা য়াশিং, খ্বাইদগী শীজিন্নবা য়াদনা য়া মাঙহনবা লায়নানি। লায়না অসিনা য়াগী মপান থংবা এনামেল (Enamel) নৎত্রগা সিমেন্টম অহানবদা শোকহল্লি। মথংদা অনীশুবা শরুক সিমেন্টম শোকহল্লি। লায়না অসিনা অসুম শোকখিদুনা মমৈথংদদি য়াগী মনুং ইথং থংবা অপেৎপা শরুক শিংলি-নাওরি শোকহন্দুনা য়া অদু মাঙহল্লি। লায়না অসিনা য়াগী মমায়দা লৈবা অকুৎপা পরেং, মখুল, হৌরকফমগী এনামেন্ট শরুক নিংথিনা য়াওরক্তবা, য়াগী মমায়নচিংবা শরুক্তা লায়না অসি হৌগল্লি। অহানবদা অপিকপা মখুলনচিংবা শেমই অদুগা অসুম-অসুম লুশিল্লকই। মতম অসিদদি নারিবা মী অদুনা নুংঙাইতবা অনাবনচিংবা কয়া ফাওদে। মুন্না য়েংলুরগা মচু হোংবা, মখুল মচা খরা উবা নত্তনা করিসু উরোই।

মখুল অদু মতমগী মতুংইন্না লুথরক্কনি। অদুগা নাকল-নাকলদা চাউবা হেন্দোরক্কনি। মতম অসিদদি চাবা-থকপা মতমদা নারিবা য়া অদুদা অঙৈং-অশা ফাওবনচিংবা হৌরক্কনি। অসুম-অসুম চাউথোরক্তুনা মনুংগী শরুক অদু য়ৌশিল্লকপদা অঙৈং-অশা হেন্না ফাওবা অমদি নাবনচিংবা লোয়ননা চারুরবা মতুংদা ফাওবা নাবা হেল্লক্কনি। অসুম্না অদুম চথহল্লবদি নোংমদি শোয়দনা য়াম্না নাবা অমা ফাওরক্কনি। অদুগা নাবা অদু মতম কুইনা নাগল্লি। মসিগী মতুংদগীদি য়া অদু শিবগী মতম ওইরক্লগনি। লোয়ন-লোয়ননা য়াগী অকোয়বদা লৈবা শরুকশিং হায়বদি পেরিও দেন্টেল মেমব্রেন, এলভিওলর বোন অমসুং অকোয়বদা লৈবা শরু য়াওশিল্লক্তুনা পোম্বা, নাই চাবনচিংবা তৌরক্কনি।

লায়না অসিনা খ্বাইদগী শোকহনবা য়াগী মমায়শিংদি - শায়ননবা মমায়দা লৈবা অকুৎপা পরেং, বকেল পিৎ, য়া অনী তাইনবা মমায়শিং, শিংগুলম পিৎ, য়াগী মঙক্তা য়া থিনবদা চাশিনবা অকুৎপা মফমশিং, য়ারি চথখ্রবা সিমেন্টমগী শরুক উদুনা লৈবা মফম হায়বদি য়া অনীগী কারক্কুম্বা মফম, য়া হৌরকপদা এনামেলগী শরুকশিং ফজনা য়াওরক্তবা মমায়শিং অসিদা লায়না অসি নাগল্লি।

লায়না অসিগী মরুওইবা মরমদি মখল য়াম্মী। খ্বাইদগী মরু ওইনা লৌনবা মরমদি চাবা-থকপা লোইরবা মতুংদা মথক্কী পনখ্রিবা নাগল্লি হায়রিবা মফমশিং অসিদা তুংদুনা লৈবদগী থোক্লকপা এসিদকুম্বা পোৎ অমনা য়াগী ইনওর্গানিক ওইবা শরুকশিং অদু তুমহল্লি, অদুগা ওর্গানিক ওইবা শরুক অদুনা প্রোটোলাইটিক এঞ্জাইমনা চাথৎতুনা য়া অদুদা মখুল শেমই। অসুম্না য়াগী তিন চাবা হায়বদু ওইহল্লি। মসিদা ঐখোয়না মতম চানা থিংহৌদবদগী অসুম-অসুম চথখিদুনা য়াগী মনুং থংবা শরুক য়ৌখিদুনা য়া অদুগী মপুন্সি মাঙহল্লি।

লায়না অসি ঙাকথোক্কে হায়রবদি ঐখোয়না চাবা-থকপা লোইরবা মতুংদা নোংমদা অনীরক শোয়দনা য়া শেংদোক্কদবনি। য়া অসি শেংদ্রিঙৈ মমাঙদা য়াদা চপ্তুনা অমসুং চঙদুনা লৈবা পোৎলমশিং অদু হান্না লৌথোকপীগদবনি। য়া কারক্তা চপ্তুনা অমসুং তুংদুনা লৈবা পোৎশিং অদু অহিং লেনখ্রবদি মদুদগী পথু-পুমথবদগী থোরকপা মহিশিং অদু লৈহন্দ্রবদি য়াশিং তিন চাবদগী কনবা, খরমখৈ হন্থহনবা অমদি থিংবা ঙম্মী। য়াদা য়াথী য়াম্না কাবা অসিনসু য়াশিংবু তিন চাহল্লি। য়াদা কাবা য়াথী শোয়দনা শেংদোকপীগদবনি। য়াবু তরূ-তনান্না থম্বীগদবনি।

লায়না অসিদগী কন্ননবগী অমত্তা ঙাইরবা পাম্বেদি অঙৈং-অশা ফাওদবগীনা খরা ফাওরক্লবা ফাওবগী মনুংদা মখুলশিং অদু মেনশিনবীগদবনি। য়া মেনবা মতমদা মেল্লিবা পোৎ অদুগী মখাদা অঙৈং-অশা ফাওদবা মরোল অমা শোয়দনা য়াওগদবনি। অদুগা মেল্লিবা মথক থংবা শরুক অদুনা চিকশিনবা মতমদা ৱাংখৎনা তাহনবা য়াদে।

য়া তিন চাবা অদুনা য়াগী মপুন্সি মাঙহনখ্রবা হায়বদি শিরবদি রুট কেনেল (Root Canal) ত্রিটমেন্ট তৌরবা মতুংদা মেনশিন্দুনা লায়েংবীগদবনি। ●

ষ্টেটকী পাউ

তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা কোভিদ-১৯গী এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম মখা তানা পাঙথোক্লি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২১ (ঐচ এন এস) :

পিপলস টাস্ক ফোর্স ফোর কোভিদ-১৯না ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটি মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকা খুৎশম্নরগা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা খুঙ্গংশিংদা কোভিদ-১৯গা মরী লৈনবা এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম মখা তানা পাঙথোক্লি হায়না পিপলস টাস্ক ফোর্স ফোর কোভিদ-১৯গী পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দা ইন-চার্জ মোইরাংথেম অঙম্বা মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ঙরাং লাঙথেল খুঙ্গংদা লাঙথেল য়ুথ দিভলপমেন্ট এসোসিএসন, রুরেল দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন, থিঙেল মোইরাং লৈকায় য়ুথ ক্লব, দেসাম লাঙথেল লোকল কাউন্সীলনা শীন্দুনা পিপলস টাস্ক ফোর্স ফোর কোভিদ-১৯ অমদি ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটিগা খুৎশম্নদুনা লায়না-লাইচৎ অসি করিনো, মসিদগী করম্না ঙাকথোক্লবা ইশা-ইশাগী খুঙ্গংদা করম্বা থৌদাং লৌমিন্নগদগে হায়বগী মতাংদা কুপ্না খন্ন-নৈনখি। খন্ন-নৈনবা অদুদা ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটি মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকী ট্রেজরর ডা. এস সুনিল, আই আর সী এস মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকী প্রোগ্রাম কোওর্দিনেটর ৱাই লক্সমন, আই আর সী এস থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চকী ভাইস চ্যেরমেন দব্লিয়ু ইবোহল, আই আর সী এস থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চকী সেক্রেটরি কে সদানন্দ, পিপলস টাস্ক ফোর্স ফোর কোভিদ-১৯গী কো-কনভিনর নিংথৌজম বিমোল মৈতৈ, দিষ্ট্রিক্ট সোসল ৱেলফ্যের ওফিসর থৌবাল এ কামেশ্বর, লাঙথেল য়ুথ দিভলপমেন্ট এসোসিএসনগী এদভাইজর ময়েংবম বিশেশ্বরনা মতৌ করম্না লায়না-লাইচৎ অসি থেংনগদগে হায়বগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লখি।

এৱ্যের্নেস কেম্প্যেন অদুদা আই আর সী এস থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চকী থৌ পুবশিংনা মাস্ক কমদৌনা উপকনি, ফিজিকেল দিষ্টেন্সিং হায়বসি করিনো, খুৎ-শা কমদৌনা হামগদগে অমদি পি পি ঈ কমদৌনা শীজিন্নগদগে হায়বগী মতাংদা দেমোন্সত্রেসন অমসু উৎখি।

শিংজমৈ ভৈগ্যেপতি লৈকায়দসু পিপলস টাস্ক ফোর্স ফোর কোভিদ-১৯ অমদি ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটি মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকা খুৎশম্নরগা এৱ্যের্নেস কেম্প্যেন অমসু পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা য়ুনাইটেদ য়ুথ ওর্গনাইজেসনগী প্রসিদেন্ট থিঙুজম প্রামেশ্বর, ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটি মণিপুরগী সেক্রেটরি ডা. আর কে নিমাই, আই আর সী এস ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী চ্যেরমেন নরেন্দ্র নিঙোম্বা অমদি পিপলস টাস্ক ফোর্স ফোর কোভিদ-১৯গী কনভিনর বি কে মোইরাংচানা কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎকী মতাংদা কুপ্না খন্ন-নৈনখি।

ৱাঙাংলোয়শিংনা কোভিদ-১৯ লাইচৎ অসি থেংননবা হোৎনবদা ইশা-ইশানা, লৈকায়দা তঙাইফদনা থৌদাং লৌমিন্নদ্রবদি কোরোনাভাইরস ঙাকথোকপা ঙম্লোই হায়নসু ফোঙদোক্লখি। লৈকায়-লৈকায়দা লায়না-লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবনি হায়দুনা লম্বীদা শম্বল খাবগী থবক তৌরিবসি তোকপীয়ু। মদুগী মহুৎতা মতৌ করম্না লায়না-লাইচৎ অসি থেংনগদগে হায়বগী চপ চাবা ৱাখল্লোন মীয়ামদা লৈবগা লোয়ননা ফেস মাস্ক উপ্পা, ফিজিকেল দিষ্টেন্সিং ঙাকপা অমদি খুৎ-শা কমদৌনা হামগদগে হায়বসি পুন্না খঙমিন্নরগা ঙাক্না চৎপনা কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোকপদা অচৌবা শরুক অমা ওইগনি হায়না ফোঙদোক্লখি।

কোভিদ- ১৯গী লায়না-লাইচৎ অসি মখা তানা খুঙ্গং-লৈকায়দা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা খঙমিন্নবগী এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম মখা চথখিগনি। মীয়াম্নসু লায়না-লাইচৎ থেংনবগী লাঞ্জং অসি মায় পাকপা ঙম্নবগীদমক লৈকায়-লৈকায়দা কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্স য়ুনিট শেম্বীয়ু। লৈকায়-লৈকায়, খুন-খুনদা শেম্বীরিবা টাস্ক ফোর্স য়ুনিটশিংনা মীয়াম্বু কৈরোয়-লৈকায়দা শুংশোয় শোয়দনা দব্লিয়ু ঐচ ও, আই সী এম আর, হেল্থ দিপার্টমেন্টকী ওথোরিটিশিংনা মতম মতমগী পীরকপা ষ্টেন্দর্দ ওপরেটিং প্রোসিজর (এস ও পি)শিং ঙাক্নবা অকনবা থবক লৌখৎপীয়ু। টাস্ক ফোর্স য়ুনিটশিংনা লৈকায়-লৈকায়দা লৈবা ফ্রন্টলাইন ৱারিয়র ওইরিবা ডোক্তর, নর্স, পেরামেদিকেল ষ্টাফশিং, সেনিটরি ৱর্করশিং, ক্বারন্টিন সেন্টরদা মথৌ তৌরিবা ভলন্টিয়রশিংবু মখোয়না লৌরিবা থৌদাংশিং মশক খঙবীবগা লোয়ননা ঈকায় খুম্নবা উৎপীয়ু। লৈকায়-লৈকায় অমদি খুনদা অনাবা য়াওরকপশিং মতেং পাংবগা লোয়ননা হোস্পিটালদা পুখৎনবগীদমক টাস্ক ফোর্সশিং মীকুপ নাহুম শিংনা লৈবীনবা অমদি লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎনবা হোৎনবীয়ু। কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা য়াওরকপদা পোজিটিভ ওইরিবা মীওই অদুগী ইমুং-মনুং অদুবু হন্থনা য়েংবীবগী মতৌ অদু থোক্তনবা টাস্ক ফোর্স য়ুনিটশিংনা এৱ্যের্নেস পীবগী থবক লেপ্তুনা চথবীয়ু। লৈকায় খরদা হেল্থ ক্যের ৱর্করশিং চঙলকপা য়ারোই, হল্লকপা য়ারোই হায়বনচিংবা অথিংবা তৌরিবসি হন্দোকপীয়ু। মখোয়বু কোরোনাগী মহিক পুরগা লাকপা মীওই অমা ওইনা উবীবগী মহুৎতা মখোয়না লৌরিবা মীওইবগী পুন্সি কনবগী থৌদাং অদুবু হেন্না মশক খঙবীবগা লোয়ননা ঈকায় খুম্নবীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

জেলিয়াংরোং লূপশিংনা নুংনাংবা...

*লামায় ১গী মখা...*এন এস সী এন (আই-এম) না কনাগুম্বা লন্নাই মীওই নৎত্রগা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন অমত্তদা কিহন খংহনবগী থৌওং চথরোইদবনি হায়না পল্লদুনা জেলিয়াংরোং বাওদিনা হায়খি, তানফম অসিদা করিগুম্বা জেলিয়াংরোং ফুরুপকী কনাগুম্বা মীওই অমা খুদোংথীবা মায়োক্লরকপা থোক্লবদি এন এস সী এন (আই-এম) না থৌদাং লৌগদবনি।

চৈরকসিদা, নিমলাং কোনয়াকনা লুচিংবা এন এস সী এন (কে) কাঙলূপনা থাদোরকখিবা ৱারোল অমনা হায়খ্রে মদুদি কুমজা ১৯৮০-৮১দা এন এস সী এন/জি পি আর এন শেমখিবা মতমদা নাগালেন্দ দিফেন্স আর্মদ ফোর্সেসপু 'পিপলস আর্মি ওফ নাগালেন্দ' (পি এ এন) হায়না ওফিসল ওইনা খঙনখি।

এন এস সী এন (কে) কাঙলূপ অসিগী মিনিষ্ট্রি ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটিনা থাদোরকখিবা ৱারোল অমনা হায়খি, এন এস সী এন/জি পি আর এনগী মিলিটরি কাদর পূম্নমক পিপলস আর্মি ওফ নাগালেন্দগী চৎন-কাঙলোন মখাদা লৈগনি হায়বা ৱাফম মিলিটরি রুলস এন্দ রেগুল্যেসনগী আর্টিকল ১দা ময়েক শেংনা য়াওরি। কনাগুম্বা লূপ খরনা 'নাগা আর্মি' হায়বা ৱাফম শীজিন্নদুনা মীয়াম্বু লান্না লমজিংনবা হোৎনরে।

নাগা মীয়ামগী ঈহৌদা শরুক য়াখিবা লুচিংবা খরনা নাগালেন্দ দিফেন্স ফোর্সকী মমিং পিপলস আর্মি ওফ নাগালেন্দ হায়না ওন্থোক্লম্বনি। মরম অদুনা নিমলাং কোনয়াকনা লুচিংবা এন এস সী এন/জি পি আর এনগী কলেক্টিভ লিদরসিপনা নাগা মীয়ামগী দিফেন্স ফোর্সপু পিপলস আর্মি ওফ নাগালেন্দ হায়না অদুমক খঙননবা অচেৎপা ৱারেপ লৌরে হায়রি।

বাই ইলেক্সনগীদমক শেম শারে...

লামায় ১গী মখা... অচুম্বা ৱায়েল অমা শোয়দনা পীরক্লগনি হায়বগী থাজবা লৈ।

হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা হৌখিবা চহী অহুম মখায়গী মনুংদা দ্রগকী কেসতা চেন্নবা মীওই ১০০ হেন্না কনভিক্সন পীবা ঙমখিবসি চাউথোকচনীংঙাইনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, কোংগ্রেস এম এল এ ওইরম্বদগী রিজাইন তৌখ্রবা বি জে পিদা নৌনা য়াওখিবা এক্স-এম এল এ মঙা অমসুং চীফ মিনিষ্টরনা বি জে পিগী লুচিংবা কয়া উনখ্রবনি।

MANIPUR UNIVERSITY

ꯇꯦꯟꯗꯔ / TENDER NOTICE

Dated 21st August, 2020

No.MU/Zoology/Consum-Lab /2020/01: Manipur University invites sealed tenders from firms for supply of Consumables. Terms & Conditions for submitting the bids can be downloaded from the website www.manipuruniv.ac.in.

Sd/- **Purchase Officer**
Manipur University
Canchipur

HL-B/6324/22

ꯁ꯭ꯔꯤ ꯁ꯭ꯔꯤ / শ্রীশ্রী গৌরচন্দ্রায় নম :

পুর্ব্বাশ্রমদা ঐখোয় খ্বায়গী ইরক্তা তিনবীরম্বা **রাজকুমার দোরেন্দ্রোজিৎ সিংহ**-না মাগী নুংশিজরবা ইমুং-মনুং, শাগৈ-নাতে অমদি মরুপ-মপাং খ্বায় পূম্নমকপু থাদোক্লম্লগা, হৌখিবা তাং ১৭/৮/২০২০ ইং, থৱান ২৮নি পানবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা শ্রীগুরুগী কৃপাদগী বেষ ওল্লগা শ্রীট্রিলোকানাথ চৈতন্য দাস হায়না নাম ফংজদুনা বৃন্দাবন প্রাপ্তি ওইখ্রে।

লাক্লিবা তাং ২২/৮/২০২০ ইং, লাংবনগী ৪নি পানবা থাংজ নুমিত্তা অস্থি-সঞ্চয় লৌখৎচরগা, লাক্লিবা তাং ৩১/৮/২০২০ ইং, লাংবনগী ১৩ নি পানবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা চিড়া-উৎসব দিন থোক্লে। নুমিৎ অসিদা লৈখিদ্রবা বৈষ্ণবকী আত্মা-শান্তিগীদমক ঙমজবা বস্তু খরদং হরি সঙ্কীর্ত্তণগা লোয়ননা শ্রীশ্রীগৌরচন্দ্র প্রভুগী চরন্দা কচ্চগদৌরি।

হৌজিক হৌজিক কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা লৈঙাক্কী অথিংবা লৈবা মরম্না ইমুং-মনুং খক লাইগী থৌরমতমক অককুবা মতমগী মনুংদা পাঙথোকচরগনি। মরম অসিনা পূম্নমক্না ৱারৌবীদনবা নীংশিংজরি।

অয়ূক পুং ৮.০০ : ভেক কৎপা
অয়ূক পুং ৯.৩০ : সঙ্কীর্ত্তণ হৌবা।

বিনীতগণ :-

নিংথেমচা ওংবী শশিবালা (ভানু) শিজ (সহধর্ম্মিনী) অমদি ইমুং-মনুংশিং
মোইরাংখোম মখা লোকলাওবুং, ইম্ফাল।

HL-B/6325/22

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/ I AM THANKING BROTHER LAISHRAM SUDHAKAR

সুধাকর

I am thanking Brother Laishram Sudhakar S/o L. Nabakishore of Sagolband Khamnam Leirak near I.T.I Imphal for curing me from Gall Stone 1.56 cm and Left Renal Calculus 6.6 mm.

Sd/- L. Sangeeta Devi
Haobam Marak Lourembam Leikai

HL-P/7444/22

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ / ওজা ABDUL HAK পু থাগৎচরি

পাউচে অসিদা কাবিরাজ ওজা Abdul Hak, Contact no. 8794429681 & 8014623756 থেংনজবদগী ওজাগী মনাক্তা চৎতুনা লায়েংজবদগী ঐগী হকচাংদা নুংশংনা মরম ওইদুনা য়াম্না কন্না নাদুনা খোঙ হাম্বদা মতম কুইনা চঙবা, মপূং ফানা অমাংবা শেংদোকপা ঙমদবা, অমাংথোঙ ময়াদা পোল্লগা লৈবা অমদি অপোম্বা অদু চিকপা নাবা, মরক-মরক্তা ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, মচুম অনাংবা তাবা, পূকচেপ নাবা, ঙকশম মরী নাবা, পাঙ্গল শোন্থবা, খ্বাঙ নাবা অদু ঙসিদি মপূং ফানা ফজরে। মরম অদুনা ওজাবু থাগৎচরি অমসুং মতম শাংনা মীয়ামগী সেবা তৌদুনা পুন্সি নুংশাংনা হিংবিখো হায়না ঈশ্বরগী মফমদা প্রথনা তৌজরি।

লায়েংফম :-

1. Wangoi SBI Awang, Near Oil Pump (6 am to 5 pm)

থাগৎচরিবা : **Ch. Hemanta,**
Thoubal Khekman

HL-P/7388/22

ꯅꯨꯡꯁꯪ/নূংশঙ (পাইলস) ওপরেসন তৌদনা ফহল্লি



Naorem Ibomcha

নূংশঙগা মরী লৈনবা লায়ওং খুদিংমক :- মপান্দা পোম্বা, তংবা, ঈ তাবা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, অমাংথোঙ চোন্থবা, নাই চারগা পোম্বা অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেষ্টুলা), মনুংদা পোম্বা (হেমোরোয়র্দ), হাক্কৎচবা অদুগা খোঙ হাম্বা য়াদবা অসিনি। অদুগা অতোপ্পা লায়ওং খরনা হকচাংদা তাং-তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ-খূৎতা চিকপা, পোম্বা, পংথবা-শিথবা হকচাংগী শরুকশিংদা শিংলি-নাওরি নুংঙাইতবা হায়রিবা লায়ওংশিং অসি ফহন্নীংবা লৈরগদি হংবীনীংবা লৈরগদি অমুক্তং লেংথোকপীরক্তুনা তানবীয়ু।

লায়েংজরিবা - **Naorem Ibomcha Meitei**
Heingang Awang Leikai
Contact Nos. 8014023792/6009147645

HL-B/6295/27 july to 25 Aug.

REGIONAL INSTITUTE OF MEDICAL SCIENCES: IMPHAL-795004
(An Autonomous Institute under the Ministry of Health & Family Welfare, Govt. of India)

INDICATIVE ADVERTISEMENT
Imphal, the 21st August, 2020

No. 146/NVHS/Micro/RIMS-2017: A "Walk-in-interview" for appointment of the following post for the Project "National Viral Hepatitis Surveillance Programme" on contractual basis will be held on 28th August, 2020 at 11:00 am in the Office Chamber of the Director RIMS, Imphal. Interested candidates fulfilling the required qualification may come for attending the interview. **Application should be submitted to the Office of the Director, RIMS, Imphal on or before 26th August, 2020. Applications received after 4.00 p.m. of 26th August, 2020 will not be entertained.**

Sl. No.	Name of Post	Consolidated pay (per month)	No. of Post
1	Lab. Technician	Rs.15,000/-	1

The detail of **Essential Qualification, Desirable Experience & Age Limit** of the posts may be seen in the full version of the Advertisement at RIMS website, www.rims.edu.in.

Duration of engagement of the post is 6 (six) months which is extendible as per requirement of the project and on performance report. The engagement is strictly on temporary basis, co-terminus with the project for the period mentioned against the post or till the project is completed, whichever is earlier. The engagement shall be made on finalization of a contract agreement after recommendation of the Selection Committee. The engagement shall also be made by maintaining social distancing due to ongoing situation of COVID-19 pandemic.

Sd/- **K. Doungel**
Deputy Director (Admn.),
RIMS, Imphal

HL-B/6326/22

SARASWATI INSTITUTE OF MANAGEMENT & PARA-MEDICAL SCIENCES
Opp. to 6th IRB, MPTC Pangei, Imphal East
Affiliated to Manipur University & Approved by the Ministry of HRD, New Delhi
Contact No. : 98565 75163 / 94022 33554
Email : plusphijam27@gmail.com www.simpsimphal.com

100% Job placement
ADMISSION NOTICE
Estd. since 2016

B.Sc. (MLT, RIT, OTT)
B.Sc. Forensic Science
Diploma in Pharmacy
Diploma (MLT, RIT, OTT, DIALYSIS)

Last date of Form Submission 10th September 2020

HL-B/6322/20/08-19/09 (alt)

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।